## থৌ পুনবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩(ঐচ এন এস): লিয়াংমাই নাগা কাউন্সিল রুৱাংদি (অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ) গী ৯ শুবা জেনরেল কনফরেন্স হৌখিবা জানুৱারী ৩১ দগী ফেব্রুৱারী ২ ফাওবা সেনাপতি ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ওক্লোং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা কুমজা ২০১৮-২০২১ ফাওবগী নৌনা থৌ পুনবা দল্লিয় দিনরাইবৌ পামাইবু প্রসিডেন্ট, টি ঐচ মসানবৌবু জেনরেল সেক্রেটরি, এন ৱিমোনবৌবু স্পিকর অমসুং সি ঐচ থুরানকিন লুংবৌবু ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে।

অমরোমদা এন এল কে আরনা বোসেম অমসুং কোসেম্না লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভকী এগজামিনেসন-শিংদা শরুক য়ারিবা মহৈরোইশিংবু য়াইফ পাউচেল পীরক্লি। মহৈরোইশিংনা মায় পাকপা মীওই অমা ওইগনবা ক্না হোৎনগদবনি অমসুং ক্না হোৎনবা হায়বা অসিনা মায় পাক্ল বগী মরু ওইবা পোৎচংনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## ফেষ্টিভেল ওফ লিটরেচর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩(ঐচ এন এস): রাইটরস ফোরম ইম্ফালনা শিন্দুনা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা ফেষ্টিভেল ওফ লিটরেচর, দান্স এন্দ ম্যুজিক থা অসিগী ২৪ দগী ২৬ ফাওবা কোরস রিপর্টরি থিয়েটর অমসুং আই এন এ মোইরাংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা কবিশিং, অইবশিং অমসুং স্কোলরশিং শরুক য়াগনি। লেটেষ্ট ট্রেন্দস ওফ লিটরেচর, লিটরেচর ইন ট্রান্সলেসন, রিলেসন বিট্যিন লিটরেচর দান্স এন্দ ম্যুজিক হায়বা সবজেক্ট অসিদা ইম্ফালগী কোরস রিপর্টরিদা অহানবা নুমিৎ নিনি অদুদা সিম্পোজিয়মশিং পাঙথোক্কনি।

ফেষ্টিভেল অসিগী অরোইবা নুমিৎতা মোইরাংদা সেসন অনি থোক্লা মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী কবি ৪০ রোমগী পোইটস মিট পাঙথোক্কনি হায়রি।

## মহৈরোই ২ তান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩(ঐচ এন এস): কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুর (কোসেম) না লৌবা ২০১৮ কী হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন্দা ঙসি মোরে গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল, মোরে এগজামিনেসন সেন্টরদা মহুৎ শিন্দুনা এগজামিনেসন থারম্বা মহৈরোই নুপামচা অমা অমসুং অনালোন খৃষ্টয়ান ইন্সটিট্যুট চান্দেল এগজামিনেসন সেন্টরদা মোবাইল ফোন শিজিন্নরম্বা মহৈরোই অমা পূন্না মহৈরোই অনি তান্থোকখ্রে। মখোয় অনি মখা তানা হায়রিবা এগজামিনেসন অসিদা ফম্বা য়াররোই হায়না কোসেমগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## রোটরি ক্লবকী এনিভর্সরি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩(ঐচ এন এস): রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফালনা শিন্দুনা ১১৩ শুবা রোটরি ইন্টরনেসনলগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিডেন্ট এলেন্দ্র থৌদাম্না লুচিংবা টিম অমনা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অচানবীগৈগী লৈমকোল পোইরৈ নৱাকোল চিদ্রেন হোমদা চৎতুনা অঙাংশিংগা পূন্না চাকলেন অমা চামীন্নখ্রে।

প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সগোলমাং অৱাং লৈকাইদা লৈবা লাইশ্রম নাওতোম্বা (২২) দা হুইল চিয়র অমসু খুৎশিন্নখি হায়রি।

## কোলেজ ৱিক পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩(ঐচ এন এস): ডি এম কোলেজ ওফ সাইন্সনা শিন্দুনা কোলেজ ৱিক সেলেব্রেসন ২০১৮ থা অসিগী ২৪ দগী মার্চ ১ ফাওবা কোলেজ অসিদা পাঙথোক্কনি।

স্পোর্টস মিট, সাইন্স এক্সিবিজন, বুক ফেয়র, ফুদ ফেষ্টিভেল, লিটরেরি মিট অমসুং এন্যুয়েল সোসল ফ্রেসর মিটনচিংবসু পাঙথোক্কনি হায়না কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কোলেজ ৱিক্কী থৌরম অসি মহৈরোইশিংবু একাদমীক অমসুং সাইন্টিফিক নোলেজ চাওখৎনবা হকচাং ফনা থম্নবা মহৈরোইশিংগী মরক্তা ৱাখল তামীন্নবা, পূন্না লৈমীন্নবগী, অফবা সিটিজেন অমা ওইবগী অমসুং নুংগী অমদি ইশাগী ওইবা মতিক ময়াইশিং অদু হেনগৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থা অসিগী ২৪ গী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না থৌরম অসিগী চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোক্কনি হায়রি।

# গভর্ণরনা নেসনল সেমিনর হৌদোকখ্রে

কাংপোকপি, ফেব্রুৱারী ২৩: ঙসি মণিপুর গভর্ণর ডো নজমা হেপ্তুলানা কাংপোকপিগী মখানদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটিগী রিজনেল কেম্পসতা 'মাইগ্রেসন এন্দ ইথনিসিটি ইন নোর্থ-ইষ্ট ইন্দিয়া' হায়বা হীরমদা নুমীৎ নিনিগী ওইবা নেসনল সেমিনর অমা হৌদোকখ্রে।

নুমীৎ নিনিগী নেসনল অদু মৌলানা অবুল কালাম অজাদ ইন্সিটিট্যুট ওফ এসিয়ন ষ্টডিজ, কোলকতানা সেন্টর ফোর নোথ-ইষ্ট ষ্টদিজ এন্দ পোলিসি রিমার্চ, জমিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়া, ন্যু দিল্লি অমসুং ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি রিজনেল কেম্পস মণিপুরগা খুৎশম্নরগা শিনবনি।

থৌরম অদুদা তীল্লিবশিংদা ৱা ঙাংলদুনা গভর্ণনর নজমা হেপ্তুলানা সেমিনর অদুনা হৌজিক হৌজিক অৱাং-নোংপোক লমদমদা কন্না ডিবেট তৌনরিবা ইস্যু অমবু হেন্না মমুত তানা খঙহনবদা মতেং পাঙলগনি। মখা তারদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি মাইগ্রেন্টশিং অসিসু মী ওইনা সোসাইটি অমসুং লৈবাক অমদা মীওইবনা চাউখৎলকপদা তৎন-থানবা য়াদে। ফেক্টর মোবিলিটি ওইনা ওইনা মাইগ্রেসন অমসুং প্রদক্ষনগী ফেক্টর ওইনা মাইগ্রেন্টশিং অসি ইকনোমিক্সতা য়াম্না মরু ওই। লৈবাক অসিনা মফম কয়াদগী য়াল্লবা মীশিংনা লৈবাক অসিগী অচৌবা সিটিশিংদা থবক থীবা চৎনৈ। সোসল মোবিলিটিগী ফিনোমিনন সেমিনর হৌদোকপগী সেসন অদুদা জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিগী ভাইস চান্সলর প্রোফেসর টালাৎ অহম্মদ, জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়াগী সেন্টর ফোর নোর্থ ইষ্ট ষ্টদিজ এন্দ পোলিসি রিছার্চকী দিরেক্টর প্রোফেসর সিমি মালহেত্রা, ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি, রিজনেল কেম্পস, মণিপুরগী দিরেক্টর প্রোফেসর রামজীভন সিংহ থাকুর য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফেকল্টিগী মেম্বরশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি। অসিদা অৱাং-নোংপোক লমদমনা অতৈ মফমশিংদগী হন্থবা নৎতে। লমদম অসিগী নহা ওইরিবা মীওই কয়া লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা চৎনদুনা খুদোংচাবা থীনরি।

লমদম অসিদা মহৈ তম্বা অমসুং থবক্কী খুদোংচাবা ৱাৎপসিনালমদম অসি থাদোক্তুনা অতৈ খুদোংচাবা মফমশিং থীনবগী মরমনি অদুগা হেন্না চাওবা সিটিশিংদা মহৈ তম্বগী অমসুং থবক্কী খুদোংচাবা লৈবনা অতৈ খুদোংচাবা ৱাৎপা মফমশিংদগী মী লাক্ল বগী মরম ওই। মহৈরোয়শিং নৎতনা মাইগ্রেন্ট শিন্মী অয়াম্বদি তোঙান তোঙানবা থবককী শিনফমশিংদা লৈ। অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা আইননা য়াদবা মওংগী মায়গ্রেসনগী ৱাফম অমা লৈ। অসিগুম্বা মখলগী মায়গ্রেসন অসিনা লমদম অসিগী মশিং য়ামজদবা কম্যুনিটিশিংদুগী কলচর অমসুং মীশিংদা অকাইবা পীবা য়াবগী অকিবা লৈ। অৱাং- নোংপোক ষ্টেটশিং য়ুম্লোন্নবা লৈবাকশিংগা ঙমখৈ শাংনা লোন্নবনা লমদম অসিগী মীয়ামগী ৱাখলদা বোর্দর ৱাংমদগী লোন্না চংশিল্লকপগা মরী লৈননা সিক্যুরিটিদা শোকপগী নুংনাঙবা লৈ। আই এল পি গুম্বা মেকানিজম অমগী খুৎথাংদা অৱাং-নোংপোক লমদমদা মী চঙলকপা কনট্রোল তৌবগী ৱাফম অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না পুক্লিং চংনরক্লি হায়খি।

# 'য়াওশঙ কুম্মৈ নুমিৎ ৩ দা তেনশিল্লে'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা থোংজু পার্ট ৱান অমদি টুগী মনুংদা লৈবা ক্লব ১৬ কী ওইবা মীফম অমা ঙসি থোংজু ফৈজা লৈতোংদা লৈবা ষ্টুডেন্ট ৱেলফিয়র কম্মিটিগী শঙলেন্দা পাঙথোক্তুনা লাক্কদৌরিবা য়াওশঙ কুম্মৈ নুমিৎ ৩ দা চেনশিনবা হায়না য়ান্নখ্রে হায়রি।

সিক্সতিন ক্লবস ওফ থোংজু ১ এন দ ২ গী কো কনভেন্নর দিলিপ ময়েংবম্বা থোকপা চেরোল অমনা হায়, চথরিবা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুরনা চথরিবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন অমদি কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এডুকেসন (কোসেম)গী এগজামিনেসন লৈবনা মরম ওইদুনা কুম্মৈ অমদি শান্নবগী তেনশিনবা য়াংখিবনি। ক্লব ১৬ কী মীফমদা ৱারেপ্পখিবগী মতুং ইন্না লৈকাইগী লৈশাবীশিংগী থাবল নোংকাংবী, নোংমা অমসুং স্পোর্টসকী নুমিৎ নিনি পূন্না নুমিৎ ৩ দা কুম্মৈ অমদি শান্নবগী থৌরমশিং তেনশিনবদা য়ানবনি। কুম্মৈ মনুংদা মযাই কাবা চিঙাক শিজিন্নবা থিংবা, অবের অমদি লেখোম তৈনবা থিংবা, লাউদ স্পিকর খোঙ্গোল নেম্না তৌবগুম্বনিংবা শিজিন্নবা শেল নিবা, হোলি পলাগী মিংদা শেল খোম্দ্দা পুক্লিং থৌগৎতবা অমদি এগজামিনেসন থারিবা মহৈরোইশিংদা অওম্বা থাক্তা ডিষ্টৰ্ব তৌদবা হায়বা ৱারেপ কয়া য়াওরি।

ক্লব ১৬ না শান্নবা হৌদোকপদা ইবুধৌ থোংজু লাকপগী শঙলেন্দগী মৈরা লৌদুনা হৌদোকপা। থাবল চোংবগী মতম নুমিৎদা পুং ১২ দগী শাংখবা হায়সনু য়াওরি। ক্লব ১৬ কী মীফমনা হান্নখিবা ৱাফমশিং অসি অকোয়বগী ক্লবশিং, লৈকাইশিং অমদি লমদমশিংগী ক্লবশিংনসু শৌগৎপীয়ু হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

# চীফ মিনিষ্টরনা মতম ঙাক্লা চৎপগী ৱারোল ফোঙদোরকখিববু থাগৎলি: সিকো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): মালেমদা মতমগী মমল খঙনা ফুরুপ অমদি লৈপাক অমত্তনা চাওখৎখনা ঙল্লোই। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈপাকশিংগী মতম ঙাক্লা চৎনরিবনি। মরম অদুনা ঈশা নৎত্তনা ফুরুপ অমা নৎত্রগা লৈপাক অমা অহোংবা অমা পুরক্কে হায়রগদি অহানবদা মতম ঙাক্লা চৎপা তাই হায়না সাইথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো) না ফোঙদোরক্লি।

সিকোগী সেক্রেটরি জেনরেল কোন্থৌজম ইবোহৌচাবা খা ঙানবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কংলেচা পুম্মক্না মতম ঙাক্লা চৎপা চংই। থবক থৌরম অমদা মরম চান্দনা মতম মাংহনখিবা, অরেম্বদা হৌহনখিবা মতমশিং অসি মখা তানা অমুক থোক্তনবা ঐখোয় পুম্মক্না চেকশিন্না মতম্বু শেমগদবা তাই। করিগুম্বা থবক থৌরম অমদা লাইথোক্না করিশু খঙদনা অরেম্বা মতম হৌহনবা অমদি মতম মাংহনবা অসি মখা তানা লমদম অসিদা কনাগুম্বা লুপ অমদি ওর্গনাইজেসন অমত্তনা তৌবিরমু। ঐখোয়গী ইরুক্তা মতমগী মমল চপ চানা খঙবা, চৎপা নৎত্রগা লুপ অমসুং ওর্গনাইজেসন থিবদা য়াম্না অরাবা অমা ওইশিল্লক্লে। লমদম অসিদা লৈরিবা লুপ/ ওর্গনাইজেসন অসিদা মতম য়াম্না মাংহনবা অমদি মতম য়াম্না ঙাইরগা থবক তৌবনা অয়াম্বনি। হৌখিবা, মাংহনখিবা অমদি অরেম্বদা চৎহনখিবা মতমদি অমুক হন্না ফুকৎপা ঙমদনা লৈখ্রগনি। হৌখিবা মতমদি তাল্লগা খক ফংলোই। ঙসিদগী ২১ শুবা চহি চা অসিদা কংলৈচা ঐখোয় অসি মতমগী মমল খঙবা অমদি মসিবু লুম্না লৌবা চঙই। মতম অমগী ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংদুদি মতমগী মমল খঙনা চৎখিবা ঙাক্তনি। মতম ঙাক্লা চৎলকখিবা ইপা-ইপুশিংদুদি চহি লিশিং কয়া নিংঙা-তম্না মতম শাংনা লৈবাক ঙাক্লকখিবনি। মখোয়গী মতমদা মতমবু থওইখিদবা কয়াবু চৈরাক ফংখিবা, অরাবা তাবগী থৌদোক লৈখি। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগ মতমবু ইকাইখুম্নবা, মতমু লিক্লা শিজিন্নখিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা মখোয়গী মচা-মশু ওইবা ঐখোয়নসু মতম ঙাক্লা চৎহনম থওদোক্লগা হায়না হংলক্লি।

লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না মতম ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়দুনা মমাং চহিগী ফেব্রুৱারী ১১ অমদি হৌখিবা জানুৱারী ২৩ দা অনিরক হন্না সিকোনা মীয়ামদা মিডিয়াগী খুথাংদা ৱাফম কয়া থমখ্রে। অদুবু মসিগী মতুংদা হন্দক অমুক থা অসিগী ১৪ গী এসেম্ব্লী মীফমদা হাউসকী লিদরসু অসিবা চীফ মিনিষ্টরনা হাউসকী মেম্বর খুদিংমক্না মতম ঙাক্লা চৎহন্নিংলবা ৱাফম ফোঙদোকখিববু থাগৎনিংঙাইনি। মতম ঙাক্লা চৎপগী মতাংদা হেনগৎলবা খঙনপ অদু লমদম অসিগী মীয়াম্না তম্না-তম্না থবক ওইনা ওস্থোরকপদা নুংঙাইবা অমদি অপেনবা ফাওই। মতম ঙাক্লা চৎপা হৌদোকপদা হায়বসি মপী-মপা, অচৌ-অসিং, অখঙ-অথৌ, লৈঙাক্লোইশিং অমসুং মকোকথোংবশিংদগী হৌরক্লগদি মীয়াম্নসু মতুং ইনরক্কনি। হেন্না থুনা মায় পাক্লক্কনি। মরম অদুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা ওফিস খুদিংমক মতম ঙাক্লা ওফিস কাহনবিয়ু অমদি মতম চানা কুমহল্লু। ওফিস মতম চানা কাই অমদি মতম কানা কুম্মী হায়বদু কুপ্না য়েংশিল্লগা মতমগী মমল খঙনা চৎহন্দুনা অওনবা খুন্নাই অমা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌহনসি হায়রি।

# কেন্সর হোস্পিটাল লিংনবা থৌরাং লৈরে, প্রপোজল থাখ্রে : জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচ এন এস): কেন্সরগী অস্থায়বা হোস্পিটেল অমা মণিপুরদা লিংনবা থৌরাং লৈরে হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি এসেমব্লীগী ৱাহং-পাউখুমগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা কেন্সর হোস্পিটালগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, কেন্সরগী হোস্পিটাল লিংনবগীদমক থৌরাং তৌরি। মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরদা ফন্দিংগীদমক প্রপোজেল থাঙ্খে। মখা তাবা থবক থৌরাংশিং লৌখৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ থুমুকহম জয়কিষননা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, কুমজা ২০১৭কী এপ্রিলদগী হৌজিক ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগীদমক য়ুটিলাইজেসন সর্টিফিকেট কয়া থাখ্রে। এন আর ঐচ এমগী ওইনা লুপা ক্রোর ৮৮.০৮, এন এ সী ওগী ওইনা লুপা ক্রোর ৩১.৯৩, অয়ুশকী লুপা ক্রোর ৪.১৭ নি। দব্লিয়ু ঐচ ওগী ওইনদি লৈতে। শেনবা চহী অসিগী ওইনা মিনিষ্ট্রিদগী রিলিজ তৌরকখিবা শেনফম অসি এন আর ঐচ এমগী লুপা ক্রোর ৭৭.৩৫, নাকোগী লুপা ২৩.৫৯, অয়ুশকী লুপা ক্রোর ৭.০৩ নি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ অলফ্রেন্দ কানঙমনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর এল দিখোনা হায়খি, ঔকমেন্টেসন ওফ ৱাটর সপ্লাই, শংশককী মখাদা খুল ১০ রোম কোভর তৌগনি হায়না পারি। ৱাটর পাইপকী ওইনা সপ্লাই তৌগদবা ফার্ম অসি এম/এস নেজেন ইন্দষ্ট্রিজ অমদি এম/এস বাবা ষ্ট্রিপস এন্দ টুবস্নি। স্পেসলগী ওইনা এম/এস সরস্কজিৎ ইন্টরপ্রাইজেস, এম/এস দিলিপ ইন্টরপ্রাইজেস অমদি এম/এস অসুই মুইভাদি। পাইপ অমসুং স্পেসলগী সেক্সন এমাউন্ট অসি লুপা লাক ৬৩৬.৮৯ নি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, পি জি মেদিকেল এন্ট্রান্সকী সেন্টর মণিপুরদা পীদ্রি। পীজ্ঞবা হোৎনরি। সেন্টর অসি ফন্দনবা চপ চাবা ক্রাইটিরিয়া ফংদ্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ অলফ্রেন্দ কানঙমনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, কুমজা ২০১৭-১৮গী মনুংদা কম্যুনিটি হোল ৯গী সেঙ্কসন তৌখি। য়ুনিট অমদা লুপা লাখ ৯৭.৪৯গী চাংনি। স্পেসল সেন্ট্রেল এসিষ্টেন্স টু দি ট্রাইবেল সব-স্কিমগী মখাদা কুমজা ২০১৭-১৮দা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী হোষ্টেল মঙা শাখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ককচিংদা হষ্টকালা সাহযোগ শিভিরগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট কম্মিস্নরগী ফোর হেন্দলুমস, ৱিভরস সার্ভিস সেন্টর ইম্ফালনা শিন্দুনা ই প্লন্ড এট ওপোর্চুনিটি এভাইটস য়োর ক্রাফটমেনশিপ হায়বা পান্দমদা হষ্টকালা সাহয়োগ শিভিরগী থৌরম ঙসি ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী ফৌগুপাগ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা এম পি ডো. মৈন্যনা হায়খি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ফিশাবীদমক কানবা কয়া পীনবগীদমক করি-করি পীরি, বেঙ্কতগী লোন করম্না লৌগনি হায়বনচিংবা কয়া খঙহনবগীদমক হষ্টকালা সাহয়োগ শিভিরগী থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি। মণিপুর অসি শান্না-খোৎনবা, আর্ট এন্দ কলচরদগী নংতনা ফিশা-লোনশাদা মালেমদা মশক তক্লিবা লমদম অমনি। অহেনবা অমসুং অনৌবা টেক্নোলোজি করা হায়শিল্লুনা মীয়াম্না হেন্না পাম্নগদবা পোথোকশিং পুথোক্কবসু হোৎনসি। ফিশাবীশিংগী ইমুং-মনুংগী অনা-অয়েক থোরকপা, মচা-মশুশিং মহৈ-মশিন তম্বদা লৌবা য়াবা লেপ্তবা থৌরাং লৈবাক্তগী ফংখম থোকপা খুদিংমক লৌনবসু হোৎনমিংসি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন ওভরসিজ বেঙ্ক অমসুং এস বি আইগী মায়কৈদগী মতৌ করম্না লোন লৌগনি অমসুং লোন চাং নাইনা করম্না শীংগনি হায়বগী মতাংদা অমদি ফিশাবীশিংদা পীরিবা ইন্স্যুরেন্সশিংগী মতাংদা মীওই কয়ানা ৱা ঙাঙখি। থৌরম অদুদা দি সী ককচীং নৈলিনথাং তেলিয়ননা থৌরম মপূ অমদি ৱিভরস সার্ভিস সেন্টর ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর (দিজাইন) রাজা সেখরননা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# কেথলিক স্কুলশিংনা মিং চনবগা মরী লৈননা ৱাথোক ওইহনবীগনু: মাওইষ্ট

ইম্ফাল, ফেব্রৱারি ২১: কেথলিক স্কুলনা মরম চদনা ৱাথোক ওইহনবীগনু: মাওইষ্ট চহী খুদিংগী কুম কাঙদনা মণিপুরদা লৈরিবা কেথলিক স্কুলশিং অসিগী ৱাথোক ওইদুনতা লাক্লি। অসিগুম্বা ৱাথোক অসিদা য়াওসিনবা তন্দুনা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরদি তুমিন্না লৈরকপসি য়াম্নমক কুইরবনি। অদুবু ইতৎ তত্তনা থোকলিবা থৌদোক ৱাথোক ময়ামশিং অসি য়েংলগা লুপ অসিগী ওইবা চপ চাবা ফীরেপ অমা মীয়াম খঙনা লাউথোকপগী তঙাইফদবা লাক্লে। লুপ অসিগী ফীরেপ অসি লাউথোক হৌদবা থোক্লগদি চগ্রিং অমনা চেঙকোক অমা মাঙথোকপগুম লুপ অসিসু মীয়াম্না লান্না খল্লক্লবা মচাক ওইহল্লকদৌরি। মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী ওইনা কেথলিক স্কুলদা নরোন্দা মীং চনবগী থবক থৌরম অসি ২০১৯ দগী হৌরগা কৈদৌনুংদা য়াওসিল্লোই। শুপনতগী লুপ অসিখত্তা য়াওদবদা নত্তনা লুপ অসিগা মরী লৈনবা মাস ফ্রন্টশিংসু এদমিসনগী ক্লাত্তা লৌবদা য়াওরোই। মিনিষ্টর অমদি ফম্নাইবশিংনা শেঞ্জা-থুমজা চথবদি মহৈরোই লুপ ময়াম য়াওনা লানহৌবশিংনা হুরানবা হায়দুনা চৈ থাঙলি অদুবু কেথলিক স্কুলগী পীক্লিবা মহৈরোয়শিংগী মীং চনবদদি মহৈরোয় লুপ য়াওনা তোঙান তোঙান লুপশিং শেঞ্জা থুমজা চথরি। থৌৱোং অসিমক্তি য়াম্নমক ইকাইবা খঙদবগী খুদমনি।মাওইষ্ট কম্যুনিটি পার্টি মণিপুর লাল্লি খঙলগদি অরানবা খোঙথাং অমদু হন্দোকতুনা অচুম্বা লম্বিদা চৎনবা হোৎনবা লুপ অমনি মরম অদুনা কেথলিক স্কুলগী অপিকপা মহৈরোয় লালোনবগী শেঞ্জা থুমজা অমদি ক্লাত্তা লৌবা অসিদা মাওইষ্ট কম্যুনিটি পার্টি মণিপুর অমদি মসিগা মরী লৈনবা মাস ফ্রন্ট অমত্তা অসিগুম্বা হুরানবগী থবক অসিদা ২০১৯ দগী হৌরগা য়াওরোই হায়না মীয়াম লাউথোক্লি। মতম পুম্বদা লুপ অসিনা অচুম্বা লীক্লমদা চৎনবা হোনবদা নত্তনা অতোপশিংবুসু অচুম্বা লম্বিদা চিংশীন্নবা ৱাখল্লোন শন্দোক্কনি। মীওইবা হায়বসি লান্দবা ঙমদে মরম অদুনা মণিপুর মাওইষ্ট নত্রগা লুপ অসিগী মাস ফ্রন্টশিংসু মীওইবা ময়ামগী লুপ ওইবনিনা করিগুম্বা শোয়বা হায়বসি শোয়দনা য়াওরম্বা য়াই অদুবু অরানবনি খঙলবা থবকতু লুপ অসিদা চথরিবা মীংচন্নবগী কাঙলোন অসিদি য়াম্না চাওনা অরানবা থৌওংশিং চথরি। স্কুল অদুগী অপুনবা সিটকী শরুক অনি থোকপগী শরুক অমনা লোট্রারি সিষ্টেমদা খল্লবা মতুংদা শরুক অমদি মিনিষ্টর এম এল এগী ফম্নাইবা ফম্ন াইবীশিং, য়াওল লানহৌলুপ, মহৈরোয় লুপ সি এস ও ময়ামগী ক্লাত্তদগী লোন্না চনবনি। কেথলিক স্কুলদা লাইনিংবা লম্বোইবা ময়াম্না য়োল্লগা মীংচনবদগী অদুম হুরানবগী থবকশিং চথরি। খ্বাইদগী হেন্না ঙক্লিবা ৱাফমদি য়েলহৌ নাৎ কন্নি হায়দুনা মচিন্দা লাওবা ময়ামসু মচা মশু, শাগৈ নাতৈগী অঙাংশিংদি কেথলিক স্কুলদা মীং চন্নবা হুরানবা অদুদা শরুক য়াই । খুনাই অসি কয়াম য়াম্না খমথেঙনা লৈখা তরাবগে হায়বদি লায়রবা ময়াম্না ফঙজগদবা চেঙদগী হৌরগা পীক্লিবা অঙাংশিংনা চরা ৱান্নবা চাক্লুক ফাওবা হুরানবদগী হেনদোক্তুনা কেথলিক স্কুলগী মীংচনবা অরানবা থবক ফাওবা চথরি। মাওইষ্টনা অসিগুম্বা ফত্তবগী হীদান্নবা অসিদা কৈদৌনুংদা শরুক য়ারোই।

নাকল অমরোমদা কেথলিক স্কুলগী এদমীসন ময়াদা লৈবাক ৱাথোক ওইহন্নবগী থবক অসি লেপ্পবা হোৎনবিয়ু মরমদি করিশু নত্তবা মীংচনবগী ৱাথোক অসিনা লৈবাক ৱাথোক অমা হেক হেক ওইহনবসি খুনাই অসিগী ওইনা য়াম্না ইকাইনিংঙাইনি। মখা তানা করিগুম্বা কেথলিক স্কুলগী মতাংদা মরম চাদনা ৱাথোক থোক্লগদি মাওইষ্ট কম্যুনিটি পার্টি মণিপুর না তুমিন্না লৈরোই। মরম অদুনা লৈরিবা ৱাথোকশিং নুমীৎ মঙানিগী মনুংদা য়াম্না লৈবাক মচা তানা মখল অমত্তগী ৱথোক লান্থোক থোক হন্দনা লোয়শিন্নবা হোনবিয়ু। করিগুম্বা মখা তানা ৱাথোক থোক্লগদি লুপ অসিনা কেথলিক স্কুল খুদিংমক খুনাই দা মরম চাদনা অৱা চৈথেং পীবা কাঙলুপনী হায়না লৌবগা লোয়ননা লুপ অসিনা স্কুলশিং অসি থিংজিনলক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। কেথলিক স্কুলদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি হুরানবা মশিং য়াম্মী য়ামদে ঙাক্তগীনি হায়বা মণিপুর মীয়াম্না হেন্না খঙলবা ৱাফমনি মরম অদুনা ৱাথোক খুদিংমক অথুবা মতম হায়বদি নুমীৎ মঙানিগী মনুংদা ৱারোয়শিন পুরক্তুনা মখা তানা ৱাথোক অমফাওবা লাক্তনবা কেথলিক স্কুল অমদি মরী লৈনবশিংনা হোন্নবীয়ু।

# গোল্ফ কোর্স শেমগৎলগনি হায়না ফোঙদোকখিববু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): মৈহৌরোলদগী মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা মফম কেগে মপাল কাঙজৈবুগী মনুং অমদি মোইরাং কোলেজগী মমাংদা লৈবা একর ৪০০ না কোনবা ইকো পার্কতা গোল্ফ কোর্স অমা শেমগৎলগনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থা অসিগী ১৯ দা লাওথোরকপদা মণিপুর টুরিজম ফাউন্দেসন্না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

গোল্ফ কোর্স অসি হায়রিবা কাঙজৈবুং অসিদা শেমগৎপীনবা চীফ মিনিষ্টরদসু মাংজৈননা মেমোরেন্দম অমা ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী পীশিনখিবা লৈখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০০৫-০৬ তা লোক্তাক্তা লৈরিবা করাং অমসুং চাওবা চীং অনিগী মরক অমদি সেন্দ্র টুরিষ্ট হোম অমসুং কৈবুল লমজাওগী চীংমৈ চীং অনিগী মরক্তসু রোপ ৱে শেমগৎপীনবা টুরিজম মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরদা ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী মেমোরেন্দম পীশিনখি।

করাং অমদি চাওবা চীংগী মরক্তা কেবল কারনা শম্নহন্নবগী থৌরাং থবক ওইনা পায়খৎলগনি হায়না গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদো-রকপবুসু নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুর টুরিজম ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি মোহনচন্দ্রনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ডি সিবু থাগৎলক্লি

জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ২৩ : জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্টকী ডিপ্যুটি কম্মিস্নারনা ক্বালিফাইদ ওইরবা ভোট্টরশিংবু ইলেক্টোরেল রোলদা চলহনখিবা অমসুং লান্না হাপচিল্লম্বশিংবু স্পিরিয়েল সম্মরি রিভিজনগী মাংওইননা চুমথোকখিববু ওল জিরিবাম য়ুনিইটেদ মাইনোরিটি ওর্গনাইজেসন (এ জে য়ু এম পি ও) থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এ জে য়ু এম পি ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ২১ দা ওর্গনাইজেসন অসিগী মীহুৎ কাঙবু অমনা জিরিবা ডি সি রোবার্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুমগা উন্নখি অমসুং ইলেক্টোরেল রোলগী সম্মরি রিভিজনগী প্রোভিজনশিং অদুগী মরমদা হায়জখি। ক্বালিফাইদ ওইরবা এপ্লিকান্টশিং মমাংদা ভোট্টর লিষ্টতা য়াওরমদবা অদু ৪০ জিরিবাম এ সিগী ইলেক্টোরেল রোল ফাইনেল ওইনা ফোঙগদৌরিবা অসিদা য়াওহনবিনবা তকশিনখি।

মতুংদা এ জি য়ু এম পি ওনা ডি সি জিরিবামদা মমাংগী এ দি সি কম এ ই আর ও জিরিবামনা চেকশিন্দবদগী অহৌবা ভোট্টরশিং ভোট্টর লিষ্টতা চল্লমদ্রে। অদুগুম্বা ভোট্টরশিংবু ভোট্টর লিষ্টতা চলহন্নবা ফোঙদোকখি। চহি অসিগী সেপ্টেম্বর/ওক্টোবরদা পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মরি রিভিজন অসিদা শোয়দনা অদুগুম্বা ভোট্টরশিং অদু য়াওহনগনি হায়না থাজবা পীখি। ষ্টেট অসিগী পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা ভোট্টর লিষ্টতা চন্দ্রিবা মীওইশিং অদু চন্নবা তকশিনখি। এ জি য়ু এম পি ওনা জিরিবাম এ সিগী মীয়ামগী য়েংদুনা থাজবা পীরকপা অদুবু নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

## 'শক্লোন' গী ১১ শুবা এডিসন ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী ডিরেক্টর মেঘচন্দ্রা কোংবমনা চহিগী ওইনা ফোঙবা ইন্টরনেসনল মণিপুরী মেগজিন '*শক্লোনগী*' ১১ শুবা এদিসন ঙসি মোইরাংখোমদা লৈবা ডিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী ওদিটেরিয়ম হোলদা ফোঙখ্রে।

সহিত্যা তৌপাং লুপ্না ফোঙবা শরতচান্দ থিয়াম সহিত্য একাদেমী এৱার্দীনা এডিট তৌবা মেগজিন অদু মহাকবি হিজম অঙাংহলনা মণিপুরী সাহিত্যদা লৌখিবা থৌদাং অদুবু শকখঙবা ওইনা চহি অমা চুপ্না পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী মনুং চন্না মহাকবি হিজম অঙাংহলদা কথোক্তুনা ফোঙবনি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা মেঘচন্দ্র কোংবম্না হায়খি, সাহিত্য হায়বা অসিগা জর্নেলিজমগা অকনবা তৎনা থানবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ। মায় পাকপা পাউমী অমা ওইনবা জর্নেলিজমগী মহৈরোই অমনা সাহিত্যগী ওইবা ৱাহৈশিংগী মতিক-ময়াই অদু খঙগদবনি। পাউমীশিংগী হৈথোই-শিংথোইবশিং অদু উৎথোক্ল বগীদমক সাহিত্যগী মপুং ফাবা ৱাখল- লৌশিং লৈবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। সাহিত্য হায়বসি খুন্নাই অমগী মিংশেলনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সাহিত্যগী ওইবা তাইবংদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয় মখোয়না লৌরিবা থৌদাং অদু তোঙান তোঙানবা মওংদা মীয়ামগা শক্নহনগদবনি। সাহিত্য থৌপাং লূপনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা, মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা খুন্দারিবা মীওইশিংগী মরক্তা মণিপুরী সাহিত্যগী ৱাখল- লৌশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবা ফমপাক অমা ওইরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

চেফোং অদু এডিটর ওইরিবা সরতচান্দনা হায়খি, *শক্লোন* অসিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাক-শন্না তারিবা মণিপুরীশিং অমত্তা ওইবা লীচিংনা পূনশিনবা ঙমগনি। মহাকবি হিজম অঙাংহলনা মণিপুর সাহিত্য অমদি নাৎ চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। হিজম অঙাংহলনা মণিপুরী সাতিহ্যদা লৌখিবা থৌদাং অদুবু শকখঙলদুনা মেগজিন অসিগী খ্বাইদগী নৌবা চেফোং অসি মঙোন দা কৎচবনি। মেগজিন অসি ফোঙবগী পান্দমদি অহল ওইরবা মীরোন্দা লৈরিবা অগুম্বা মমল য়াম্লবা পোৎলমশিং অদু নহা ওইরিবা হৌজিক্কী মীরোলদা অমুক হন্না শিন্নবনি। থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ জর্নেলিজমগী মহৈরোই কয়া, শাথৌ লূপকী মেম্বরশিং অমসুং ডি আই পি আরগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

## তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩(ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টকী য়ুম্নাম খুন্নৌদা লৈবা তুরেললৈমা ৰুমেন্স ডিভলপমেন্টনা চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম ঙসি য়ুম্নাম খুন্নৌগী লোয়া লাকপা লাইবুংদা অঙাংশিং অমসুং অহল ওইরবশিংদা শেলগী তেংবাং অমসুং খুদোলপোৎ পীবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লৈঙাক্কী থবক তৌদবা মীওইশিংগী চহি ৫ দগী ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং অমদি কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়দকী মনুং চনবা মফমশিংদা লৈবা চহি ৭০ গী মথক্তা লৈবা সেনিয়র সিটিজেনশিংদা শেম অমসুং খুদোলপোৎশিং পীখি। তুরেল লৈমা ৰুমেন্স ডিভলপমেন্টকী সেক্রেটরি ৱাই রানিবলানা অঙাংশিংদা টি সর্ট ৩৩৫ অমসুং সেনিয়র সিটিজন ২১০ দা শেলগী তেংবাং পীখি হায়রি।

# আই আর এসকী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): রিলিফ এন্দ ডিজাষ্টর মেনেজমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ইন্সিডেন্ট রেস্পোন্স সিষ্টেম (আই আর এস) হায়বা অসিদা নুমিৎ নিনি চথগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এস ডি এম এগী ভাইস চিয়রপার্সন অদিম পামৈনা হায়খি, নেসনল ডিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী কন্সলটেন্ট য়াওনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। মসি পাঙথোকপগী পান্দমদি, ঐখোয়দা লৈরিবা ৱাখল - লৌশিংশিং অসিখক্লা থবক পাঙথোকপা য়াদবা মরমনা নেসনল ডিজষ্টার মেনেজমেন্টগা পূন্না থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ৱাখল লৌশিং অসি মপুং ফানা মপানগী লমদমদা করম্না তৌই হায়বগী নোলেজ একজেঞ্জগী শরুক অমনি। অহানবা প্রোজেক্ট ওইনা ফুট ১৫৬ শাংবা রিটেনিং ৱাল অমা শাবা হৌরে হায়না খল্লসি, ঐখোয়না পায়খৎকে খল্লিবসি হৈঙাং এ সিগী মনুংদা লৈরিবা লাইরিকয়েংবম লৈকাই মমাং অমদি অচানবিগৈদা পায়খৎকনি। ক্বালিটি কন্ট্রোল লৈনা তৌগদবা থবকশিং অসি মেনেজমেন্টকী মখাদা ৱাটর রিসোর্ছ ডিপার্টমেন্টকা পূন্না পায়খৎপনি। করিগীদমক পায়খৎলিবনো হায়বদা নোংজু পান্থা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা তুরেল কায়গদবা মফম অমদি কায়রগা লৈবা মফমদা লৈবাক লৈরাই থোঞ্জিনবা মতমদা য়ুম-কৈ কয়া মাংবা য়াবা লাকপা মতমদা প্রিভেন্টি মেজর লৌখৎপনি। চীফ মিনিষ্টরনা অয়াবা পীদুনা তুরেল তোর্ব্বানগী খোঙনুং শেংবগী থবক চথরিবসি চিয়রমেনগী অয়াবগী মতুং ইন্ননি। সেন্থং লৈতনা ৱার্ক ওদর লৈতনা থবক শুবা নত্তে। খুন্নাইগী অমদি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থবক শুবনি হায়না মখা তাখি।

# 'কাঙমোংদা লৈরিবা নিংথৌ কাঙবগী খুভম হেরিটেজ সাইট ওইনা শেমগৎলগনি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): কাঙমোংদা লৈরিবা নিংথৌ কাঙবগী নিংশিং খুভম অসি ষ্টেট অসিগী হেরিটেজ সাইট অমা ওইনবা শেমগৎলগনি হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙরাং লাওথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোন্থৌজম কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা কামোংদা মিনিষ্ট্রিয়েল টিম অমনা চৎতুনা নিংথৌ কাঙবাগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবা হায়না থাজনরিবা মফম অদু য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা পাউমীশিংদা মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা মেমোরিয়েল সাইট অসি ষ্টেট অসিগী হেরিটেজ সাইট অমা ওইহন্দুনা লমকোয়বশিংগী পূক্লিং শিংজিন্নবা শেমগৎলগনি। নিংথৌ কাঙবানা কংপৈক্কী অসিগীদমক্তা তৌরম্বা থবক থৌরমশিং অদু শিংথানিংঙাইনি অমসুং মহাক্কী লৌখিবা থৌদাং অদুগীদমক্তা মীয়াম্না শকখঙনখি। মালেমগী লৈবাক কয়াদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না শান্নরিবা শগোল কাঙজৈগী মশান্না অসি মহাক্না হৌদোকখিবনি। কুমজা ১০৪৫-১৩৫৯ বি সি মতমদা মহাক্না নিংথৌ ওইরিঙৈদা কামোংদা ইহান হান্না শগোল কাঙজৈ শান্নখি হায়না থাজনরি।

কাঙদ্রম, কাঙজৈ, কাঙহু, কাঙপোৎ, কাঙনচিংবশিং অসি মহাক্কী মমিংদগী লাকখিবনি হায়না থাজনরি। খোঙচৎ অদুদা কোন্থৌজম এ সিগী এম এল এ ডা: এস রঞ্জন, লাইনিংথৌ কাঙবা থৌপল শিংলূপগী মেম্বরশিং অমসুং অতোপ্পা মীওই কয়াশু শরুক য়াখি হায়রি।